**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মহৈরোইশিংগী খোঙজং মরক্তা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান ঙসি ফম থাদোকখ্রে।

২) মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে.সংমানা হায়রি- কাংলুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবা অমসুং ৱারি ৱাতাই শান্নবা খক্তনা মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ৫৭ মাউন্তেন দিভিজনগী মেজর জেনরেল সুভাঙ্কর ভাসুগা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা কার্গিল বিজয় দিবস হয়েং পাঙথোক্লগনি। ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াগনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

------

**ধরমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান ঙসি ফম থাদোকখ্রে। ফম থাদোকপগী অইবা চেরোল প্রধান মন্ত্রিদা পীশিনখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী প্রধাননা হায়-হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি রোম অসিদা মহৈরোইশিংনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি লাইবক থিবনি। নিউ দেল্লিগী জন্তর মন্তর অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অমদি মহৈরোইশিংগী য়েংলগা ফম থাদোকপগী ৱারেপ অসি লৌবনি।

শ্রী প্রধাননা হায়-মহাকা লৈবাক অসিগী য়াইফ থৌরাংগীদমক মতম চুপ্পদা কখোক্তুনা লাক্লি। তুংদসু মখা তানা অদুমক চথখিগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং অমসুং মহাকপু থাজবীবা অমদি লেপ্পা লৈতনা হীরম খুদিংমক্তা মতেং পাংবীবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ২০২৬ কী নিট য়ু.জি.পরিক্ষাগী অশোইবশিংগী ৱাফম পল্লদুনা শ্রী প্রধাননা হায়-সরকার অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা সি.বি.আইদা থিজিন্নবা শিন্নখ্রে অমসুং পরিক্ষা অদুসু কেন্সেল তৌখ্রবনি। মহাকা হায়-নৌনা পরিক্ষা পাঙথোকখ্রে। মথংগী চহীদগীদি পরিক্ষা অসি কম্প্যুতর বেজ তেষ্ট (সি.বি.টি) মোদতা তৌরগনি।

**সংমা (এল)ঃ** মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে.সংমানা হায়রি- কাংলুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবা অমসুং ৱারি ৱাতাই শান্নদুনা মণিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগনি। চহী অহুম হেল্লক্লবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিবু শেল থুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খুমাং চাউশিনবদা থিন্থহল্লি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসতা পাঙথোকপা এন.পি.পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী চহিগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা মহাকা হায়- দল অসিনা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। নহাশিংদা অহেনবা শক্তি পাদুনা অমসুং থবক ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা কাংলুপ

অমসুং রাজনিতিগী মীৎয়েংগী ৱাংমদা দল অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা, এন.পি.পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট ডাঃ লোরহো এস. ফোজে, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি ডা.খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এশিং-থোঙাম শান্তি, জাংহেমলুং পানমৈ, দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। শ্রী সংমা নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা ঙরাং রাজ্য অসিদা থুংলখিবনি। শ্রী সংমানা ঙরাং মন্ত্রিপুখ্রিদা এন.পি.পি ষ্টেট ওফিস শঙ্গাখি।

মরক অসিদা, সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন.আর.সি হান্না চৎনহল্লু হায়বা ফোর্তিন সি.এস.ওস কংলৈপাকনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি সংমাদসু হীরম অসিগা মরী লৈননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা ভারত সরকার অমদি মণিপুর সরকারদা রাজ্য অসিদা মীকোক থিদ্রিঙৈদা এন.আর.সি হান্না চৎনহন্নবা তকশিনবীয়ু হায়বা ৱাফম য়াওরি।

সিএম (এল)ঃ দুরান কপ য়েংবা লাকপীনবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দদা ৫৭ মাউন্তেন দিভিজনগী মেজর জেনরেল সুভাঙ্কর ভাসুনা ঙসি বাতর্ণ তৌরমখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মেজর জেনরেল সুবাঙ্কর ভাসুগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মসিগীদমক লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎনবসু খন্নখি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লি। মসি আর্মদ ফোর্সশিংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়া অসিনা চাওনা মতেং পাংলি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী ওইনা থা অসিগী ২৮তা পাঙথোক্কদৌরিবা দুরান কপ ২০২৬ তা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াবীরনবা জি.ও.সিনা বাতর্ণ তৌরমখি। দুরান কপ অসিনা কাংলুপ খুদিংমকপু অমত্তা ওইনা পুনশিনবদসু

চাওনা মতেং পাংবা ওইরসনু হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎলকপা সোসিয়েল মেদিয়াগী পোষ্ট অসিদা হায়রি।

কেম্পেইন (এল)ঃ নাসা মুক্ত য়ুভ ফোর ভিক্সিট ভারত কেম্পেইন নোনে জিলাগী খুমজি বজার কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদু মেরা য়ুভ ভারত নোনেনা খুমজি ভিলেজ ওথোরিতিগা খূৎশমদুনা শিনবনি। নহাশিংনা নিসা শিজিন্নবগী অমাংবশিং অমসুং মসিনা সমাজদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা অমসুং নিসা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা কেম্পেইন অদু পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা, মহৈরোই, নহা অমসুং খুলগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

কার্গিল ঃ কার্গিল বিজয় দিবস হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ শরুক য়াগনি।

২৭ শুবা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, তেংনৌপল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থৌবাল, ককচিং অমদি চান্দেল জিলাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা পেত্রিওটিক ক্বিজ, দোক্কুমেন্টরি স্ক্রিনিং, ফ্লেগ হোইষ্টিং, তিরঙ্গা রেল্লিনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি। তেংনৌপল জিলাদসু কার্গিল কনফ্লিক্টকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মখলগী কম্পিতিসন অমদি এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। চুরাচান্দপুর জিলাদনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখি। মদুদা আই.দি.পি ৪০০ রোমা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ২৭ শুবা কার্গিল বিজে দিবস কুমওন থৌরমগী মাংওইননা ঙসি নাগালেন্দগী কোহিমাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী গেরিসন হেল্লিপেথতগী বাইক রেল্লি অমা রাজ্যপাল নন্দ কেস্বর য়াদবনা লমথাখ্রে। অসাম রাইফলস নোর্থকী ইন্সপেক্তর জেনরেলনা শিনবা থৌরম অদুনা ১৯৯৯কী ভারত অমসুং

পাকিস্তানগী কার্গিল লানফমদা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিং অদুদা ইকাই খুমবা উৎপনি। রেল্লি অসি মরুওইনা রাজ্য অসিগী কেপ্তেন নৈকে ঝাকুৰো কেংগুরেসেনা লানফম অদুদা থৌনা ফনা থৱাইনা পোন্থা পীখিববু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি। মহাক মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাবির চক্র পীদুনা ইকাই খুমখি। ঙসিগী রেল্লি অদুদা, এক্সসার্ভিসমেন, কোহিমাগী তোঙান তোঙানবা মোতোর সাইকলগা ক্লবশিংনচিংবা শরুক য়াখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ  মণিপুর পুলিসনা থৌবাল বজারদগী য়ু.এন.এল.এফ (পি)গী মরুওইবা মীওই অনি ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মখোয় লুপ অসিদা অনৌবা মীওইশিং পুশিনবদা চেন্নবা মীওইনি । মখোয়দগী মারুতি সুর্জ্কি স্বিফ কার অমা ফংলে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল কোংখাম লৈকাইদগী কে.সি.পি (সিতি মীতৈ)গী এক্তিভ কাদর অমসু ফারে হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

পুলিস (এল)ঃ  মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী নুপী অমা নিউ লমকাগী গৌচিনখুপ ভেংদগী দ্রগকা মরী লৈনবদা শিজিন্নবা শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ২৮ লিশিং ৭৮ কা কোন্ননা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- নার্কোতিক্স দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবস্তেন্সেস(এন.দি.এন্দ.পি.এস) এক্টকী মখাদা চুরাচান্দপুর পুলিসনা পায়খৎলকপা কেস অমগা মরী লৈননা নুপী অসি ফাখিবনি। ফারবা মীওই অসি ম্যান্মারদা দ্রগ থাদোক থাজিন তৌবদা চাওনা চেন্নবনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস মঙা রেজিস্তর তৌখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা নেসনেল হাইৱে-৩৭ পাৎশোই লমখায়দা লৈবা ৱার্কসোপ অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ব্রাউনসুগর গ্রাম ৩৫০ রোম ফাগৎলে। ব্রাউনসুগরশিং অদু সাপোন কেপ ৩০ দা হাপ্লগা পাজেরো গাড়ি অমদা য়াওরম্বনি। ৱার্কসোপ অদুগী মপুশিংসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

খোঙজং (এল)ঃ নিট য়ু.জি ২০২৬কা মরী লৈননা ঙসি মনিপুরদসু মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে। মণিপুরগী মহৈরোই লুপ মঙা- এমসু, দেসাম, এইমস, কে.এস.এ অমদি সুকনা শিন্দুনা কৈশাম্পাৎকী য়াইফ থৌনি শংলেনদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মহৈরোই লাক্ষ কয়াগী নিটকী এন্ত্রান্সতা ক্বেসন লিক ওইহনবগী থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই, চেন্নবা খুদিংমক অকনবা চৈরাক পীগদবনি। খোঙজংলোইশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চপ্থখিবা থৌওং য়ানিংদে হায়বনচিংবা প্লে কার্দ কয়া পায়খি।

এআর ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী টি.সেজাং খুলদা মৈ চাকপদা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকখ্রে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং য়ুম অমদগী এল.পি.জি সিলিন্দর পোকখায়রকপদগী থোকখিবনি। মফম অদুদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী ফয়ার ব্রিগেদকী কাংবুনা মতম চানা কনবা ঙমখি। মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকপগী পাউদি লৈতে। অদুমওইনমক, থৌদোক অসি করমা থোকখিবনো হায়বসিগী মতাংদা থিজিল্লি।

ত্রেনিং (এল)ঃ দি.এফ.ও থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ হুমি চুপা চথরকপা কেপাসিতি বিল্ডিং ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স রেম্প স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা ফোরেষ্ট বেজ আর্তিসান ওন নেচরেল দাইয়িং টেকিক্তা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা মীওই ৪০ রোমা শরুক য়াখি।

মনকি বাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং

তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

সি.জে.পিঃ সি.জে.পিগা সরকারগা য়ানবা পুরকপদগী মখোয়গী খোঙজং হনে দাকখ্রে হায়রি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি নদ্দা অমসুং ডা.জিতেন্দ্র সিংহগা ঙসি অহুন্নক শুবা ওইনা সি.জে.পিগী মীহুৎশিংগা উন্নবা অদুদা পরিক্ষা পাঙথোকপগী মওংশিংদা অহোংবশিং পুরকবা অমসুং পেপর লিক ওইহন্দনবা খোঙথাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমবা ৱাফমশিংদা মরুওইনা খন্নখি।

নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা সরকারনা খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিংদা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা লৌখৎলরোই, মখোয়গী মথক্তা এফ.আরশিংসু রেজিস্তর তৌররোই হায়রি।

মশা মথন্ত শিজিখিবা মহৈরোইশিংগী ইমুং মনুংশিংদা ক্ষেত্রিপুরোন পীবগী ৱাফমগী মতাংদা শ্রী নদ্দানা হায়-সরকার অসিনা মখোয়গীদমক থমোয় শোকা নুঙাইতবা ফাওই অমসুং সরকারগী নিয়ম নিতি খর য়েংলগা মখোয়দা পীবা য়াবা ক্ষেত্রিপুরোনশিং পীগনি।

সি.জে.পিগী ৱাঙাংলোই শৌরপ দাসনা হায়-খোঙজং অসি হন্দোকপগা লোয়ননা মীয়ামা অফবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মশা মশাগী য়ুমদা শান্তি ওইনা হল্লসি।

মুরমু ঃ রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু রোমানিয়াগী খোঙচৎ লোইদুনা ঙসি নুংথিল নিউ দেল্লিদা থুংখ্রে। রাস্ত্রপতিগী খোঙচৎ অসিদা রোমানিয়াগী মহাক্না ফম মান্নবা রাস্ত্রপতি নিকুসোর দনগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফমশিং পাক শন্না খন্নখি। মরুওইনা, লল্লোন ইতিক, শেল থুম, ঙাকশেল, শিক্ষা, কলা সংস্কৃতি, দিজিতেল টেকোলোজি অমসুং রিন্যুয়েবল ইনর্জিগী ৱাফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি। রাস্ত্রপতি মুরমুনা রোমানিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী

লুচিংবশিংগা উন্নখি। ভারত অমসুং রোমানিয়াগী বিজিনেস ফোরমদা ৱা ঙাংখি। মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু রাস্ত্রপতিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারি শাখি। ভারত অমসুং রোমানিয়াগী মরীদা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা থৌদাং লৌবগীদমক বুচারেস য়ুনিভর্সিতি ওফ ইকোনোমিক স্তদিসনা ওনরেরি ডোক্তরেটকী মনা পীদুনা ইকাই খুমখি। রাস্ত্রপতিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ অসি ঙসি লোইখিবনি।

মেঘৱালঃ  কেন্দ্রগী লো অমসুং জস্তিস মন্ত্রি অর্জুন রাম মেঘৱালনা সিঙ্গাপুরগী লো মিনিষ্টর এদৱিন তোং এস.সিগা নিউ দেল্লিদা ঙসি উন্নখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মেঘৱালনা হায়-উন্নবা অদুদা ভারত অমসুং সিঙ্গাপুর লৈবাক অনিগী আইনগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখি।

------